


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, JUNE 05, 2018 PAGE 7

*ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দদা ২শুবা সিদেদ স্পেনগী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী রুশিয়াগী শান্নরোই দারিয়া কসাটকিনা*

*রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবা জর্মনিগী টিম লাওথোকপদা য়াওখিদ্রবা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিদা ষ্ট্রাইকর ওইরিবা লেরোই সানে*

## ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙখ্রে

*মুম্বাই, জুন ০৪ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক ৪না শান্নরিবা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা কপ অসিগী ফাইনেল য়ৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ অসিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম্না চাইনিজ তাইপৈবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়া অমসুং কেনিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা কেনিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা কাওশিনখিবা সোট অমা টার্গেটিতগী খরা থৈনা চৎখিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ইন্দিয়ানা মাঙজখি।

টিম অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখিবা মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা মায়কৈ অনীদগী এটেক হেন্না কনশিন্নরকখি। কেনিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৪৭ অমসুং ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অনী মাঙজখি।

শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা মণিপুরী মচা উদান্ত সিংহনা পীরকপা য়াম্না মফম চাবা ক্রোস অমা কেপ্টেন সুলিন ছেত্রিনা নীংথিনা ফাবা ঙমহৌদবদগী শুংশোয় শোয়দনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমসু মাঙজখি।

শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা কেনিয়াবু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা জেজে লালপেখলুৱানা শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা কেনিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা কেনিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মক্কাটানা গোল তম্মা কাওশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী গোল কিপর গুরপ্রিত সিংহ সান্ধুনা ফাবা ঙমখি।

কেনিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা এটেক তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

ইনজুরি টাইমগী মিনট ৫ হাপ্তুনা শান্নখিবগী অনীশুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা গ্রুপকী অরোইবা মেটচ অদু থা অসিগী ৭ তা ন্যু জিলেন্দগা শান্নরগনি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা কেনিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচতা রন ৬৬ দা মায়থিবা পীখ্রে

*কোলা লুম্পুর, জুন ০৪ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি কোলা লুম্পুরদা লৈবা রোয়েল সেলাঙ্গোর ক্লবতা শান্নখিবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু রন ৬৬ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস থাইলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৩২ লৌবা ঙমখি।

ওপনর মেনা মেস্রাম অমসুং স্মৃতি মন্ধনানা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ৫০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

স্মৃতি মন্ধনা বোল ২২ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরম্লগা রন ২৯ দা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিকেট রন ৫৩ শুরকপদা তুখি।

নৌনা থোরকখিবী ভেদা কৃষ্ণমুর্থিনা ওপনর মোনা মেস্রামগা ইন্নিংস মখা চথরকপদা স্কোর বোর্দতা মখা তানা রন ২৩ হাপচিনবা ঙমখি। নৌনা থোরকখিবা ভেদা কৃষ্ণমুর্থি বোল ১৪ মায়োক্নবদা ফোর অমা য়ৈরগা রন ১১ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অনীশুবা ৱিকেট তুখি।

নৌনা চঙলকখিবী অনুজা পটিলনা ওপনর মোনা মেস্রামগা মখা তানা ইন্নিংস শেমগৎনবা হোৎনরকপদা মেনা মেস্রাম ১৪শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা বোল ৪৫ মায়োক্নবদা ফোর ২ গা লোয়ননা রন ৩২ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অনুজা পটিলগা নৌনা চঙলকখিবী ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অসিগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরগা পার্টনর ওইদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ১২৬ য়ৌহল্লকখি। অনুজা পটিল বোল ২১ মায়োক্নবদা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২২ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসৱুমেন পুজা ভাষ্ট্রাকরগা কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরগনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু রন ১৩২ য়ৌহল্লকখি। কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোর বোল ১৭ মায়োক্নবদা ফোর ৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ২৭ লৌরমখি। অদুগা পুজা ভাষ্ট্রাকরসু বোল ২ মায়োক্নবদা ফোর ১ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৬ লৌরম্বনি।

থাইলেন্দনা মায় পাক্নবগী রন ১৩৩ গী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৬৬ খক লৌখিবদগী ইন্দিয়ানা মখোয়বু রন ৬৬ তা মায়থিবা পীখি।

থাইলেন্দগী মায়কৈদগী ওপনর নারুইমোল চাইৱাইনা লৌরম্বা রন ১৪, অহুমশুবা বেটসৱুমেন নাট্টায়া বুচাথামনা লৌরম্বা রন ২১ অমসুং ৭শুবা বেটসৱুমেন চান্দিদা সুথিরুৱাংনা লৌরম্বা রন ১২ অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসৱুমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

ইন্দিয়াগী বোলিংগী মায়কৈদগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরনা ওভর ৩ লংবদা রন ১১ খক পীরগা থাইলেন্দগী ৱিকেট ৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অতোপ্পা ৱিকেট লৌখিবী শান্নরোইশিং অদুদি দিপ্তি শর্ম্মগী ৱিকেট ২, পুজা ভাষ্ট্রাকর অমসুং পুনম যাদবকী ৱিকেট অমমমনি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহুমশুবা মেটচ অদু বাংলাদেশকা শান্নরগনি।



*ইন্দিয়াগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরনা স্বিপ তৌদুনা রন লৌনবা হোৎনবা*

## ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*পেরিস, জুন ০৪ঃ*

নুপাগী টেন্নিসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী মেক্সিমিলিয়ান মার্টেনরবু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা অমসুং অনীশুবা সেট স্পেনগী রাফেল নদালনা জর্মনিগী মেক্সিমিলিয়ানগী সার্ভিস গেম অমমম ব্রেক তৌদুনা ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা সেট ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

সেট অনী শোথরবা জর্মনিগী মেক্সিমিলিয়াননা অহুমশুবা সেট অদুদা অকনবা লম্বা পীরকপদগী সেট অদু টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা নদালনা ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৬শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী এলিসি মার্টেন্সপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অহানবা সেট হালেপনা মার্টেন্সকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদসু রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মার্টেন্সকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৪শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনানা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীবু ৭–৬(৭–৫), ৬–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।


রুশিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই মারিয়া সরাপোভাসু মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী লম্বা য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মস মশা শোকপদগী শান্নবা ঙমখিদবদগী সরাপোভা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১২শুবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ৭শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াবু ৬–২, ৬–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টসমেননা ৬শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনবু ১–৬, ২–৬, ৭–৫, ৭–৬(৭–০), ৬–২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১২শুবা সিদেদ পেয়র স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজনা ৩শুবা সিদেদ ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্সপু ৬–৪, ৬–৭(২–৭), ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ৩শুবা রাউন্দগী মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ১৩শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী নিকোল মেলিসর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী ভেটা পেস্কেবু ৪–৬, ৬–২, ৭–৫ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



*ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা স্পেনগী নদাল (ওই) অমদি রোমানিয়াগী হালেপ*

## ভেটরান টেন্নিস শান্নরোই লিয়েন্দর পেস এসিয়ান গেমসকী নুপাগী স্কৱাদতা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ঃ*

চহী অসিগী ওগষ্ট থাগী ১৯ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোইশিংগী মমিং লাওথোরকপদা ভেটরান শান্নরোই লিয়েন্দর পেস য়াওখ্রে।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবা শান্নরোই ৱার্ল্ড নম্বর ৯৩ দা লৈরিবা য়ুকি ভাম্ব্রিদি চহী অসিগী ৪শুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুএস ওপনগী মেন দ্রোদা চঙবগী খুদোংচাবা চাওনা লৈখিবদগী এসিয়ান গেমসকী টেন্নিসকী শান্নরোই লাওথোরকপদা য়াওরকখিদবনি।

ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসননা দবলগী মরুওইবা শান্নরোই অনী রোহন বোপানা অমসুং দিভিজ সরনসু ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকী স্কৱাদ লাওথোকপদা য়াওখি।

এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপাগী টেন্নিস টিম অদুদি–রামকুমার রামানাথন, প্রজনেস গুনেশ্বারন, সুমিত নগাল, রোহন বোপানা, দিভিজ সরন অমসুং লিয়েন্দর পেসনি। অদুগা নুপাগী কোচনা জিসান আলিনা ওইরগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোই অদুদি–অনকিতা রাইনা, করমান কোর থান্দি, রিটুজা ভোসালে, প্রানজালা য়াদ্লাপাল্লি, রিয়া ভটিয়া অমসুং প্রারথনা থোম্বাবেনি। অদুগা নুপীগী টিমগী কোচনা অনকিতা ভাম্ব্রিনা ওইগনি।



## ফ্রেন্দলি মেটচতা স্পেন অমসুং স্বিটজরলেন্দ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে, পেরুনা সাউদি অরাবিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মাদ্রিদ, জুন ০৪ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ১৪ দগী হৌগদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা শান্নরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা স্পেন অমসুং স্বিটজরলেন্দ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা পেরুনা সাউদি অরাবিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

স্পেন অমসুং স্বিটজরলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা অলভারো ওদ্রিওজোলানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা স্বিটজরলেন্দবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১৬ লোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা অদু ঙম্নদনা হাল্ফ অদু স্পেননা স্বিটজরলেন্দবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রিকার্দো রোদ্রিগেজনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নখ্রবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

পেরুনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা অতোপ্পা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা পেরুনা সাউদি অরাবিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

পেরু অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা পেরুগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা টিম অদুগী এটেক অমদা এন্দ্রি কারিল্লোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সাউদি অরাবিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পেরুগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা দোপ্পিং কেসতা চেন্নরুবদগী নৌনা শরুক য়ারকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন পাওলো গ্বেরেরোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–০ দা হেল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু পেরুগী শান্নরোইশিংগী এটেক কনশিল্লকখি। শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা পেরুগী কেপ্টেন পাওলো গ্বেরেরোনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মখা তাবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পেরুনা সাউদি অরাবিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা কোষ্টা রিকানা নোর্দন আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। কোষ্টা রিকাগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা অমা অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা অনী চনবা ঙমখি।



*স্পেনগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকখিবদা স্বিজরলেন্দগী ভালোন বেহরামী (য়েৎ)না রিএক্ত তৌখিবা*

## য়ুএসকী ৱেসলি সোনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নোরৱেগী কার্লসন থোইখ্রে, আনন্দ দ্রো চৎখ্রে

*ষ্টাভেঙ্গর, জুন ০৪ঃ*

নোরৱেগী সিটি ষ্টাভেঙ্গরদা চথরিবা অল্টিবোক্স নোরৱে চেছ টুর্নামেন্টকী ৬শুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী ৱেসলি সোনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নোরৱেগী মেগনস কার্লসন মায়থিবা পীখ্রে। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দ মহাক্কী ৬শুবা রাউন্দ শান্নখিবদা অজরবাইজানগী সাখ্রিয়ার মামেদিয়ারোভকা দ্রো চৎখ্রে।

য়ুএসএগী ৱেসলি সোনা নোরৱেগী মেগনস কার্লসনবু ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা মুভ ৪৪ দা মায়থিবা পীদুনা কার্লসনগী মমাঙদা গেম ৩৭ মায়থিদনা লাকখিবা অদু থুপচিনখ্রে।

মায়থিখ্রবসু অল্টিবোক্স নোরৱে চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা লৈবাক অসিগী শান্নরোই মেগনস কার্লসননা পুন্না পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদগী মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন আনন্দনা অজরবাইজানগী মামেদিয়ারোভকা লম্বা তৌনখিবা ৬শুবা রাউন্দগী গেম অদু ৩২মুভতা দ্রো চৎখিবনি। ইন্দিয়াগী আনন্দনা ৭শুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোই মেক্সিম লাগ্রেভকা শান্নরগনি।